# ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমস হৌদোকপদা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**নোংপোক** ককচীংদগী মিরাবাই চনুনা হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোটেতা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা কম্মনৱেলথ গেমসতা নুপীগী কেজি ৪৮গী কাঙলূপকী অরূম্বা থাঙ্গৎপগী অথোই অহেন তান্নবদা স্নেচতা কেজি ৮৬, ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১০ থাঙ্গৎতুনা অপূনবা ওইনা কেজি ১৯৬তা কম্মনৱেলথ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়ননা সনাগী মেদল ফংখিবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎ, এপ্রিল ৬তা ককচীং খুনৌদা কুমজা ১৯৯৪দা পোকখিবী হৌজিক্কা থোংজুদা লৈরিবী খুমুকচম সঞ্জিতা চনুনা কেরালা স্পোর্টস এন্দ লেজর সেন্তরদা পাঙথোক্লিবা কেজি ৫৩গী অথোই অহেন তান্নবা অদুদা কেজি ৮৪ স্নেচতা অমদি কেজি ১০৮ ক্লিন এন্দ জর্কতা পূন্না কেজি ১৯২ থাঙ্গৎতুনা হৌখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা কেটাগোরি অসিদা মকোক ওইখিবী পাপুৱা ন্যু গিনিগী লোৱা টিকা তৌৱানাবু মায়থীবা পীদুনা মণিপুরী মচা অনী অসিনা মথং মথং গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ থমখিদুনা মায় পাকপা অসিদা লৈবাক্কী লুচিংবশিং য়াওনা লৈবাক মীয়াম্না মখোয়বু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা শান্নরোয় অনী অসিগী অহল-লমন অমসুং পোক্নফম লমদমবু ইকায়খুম্নবা লেপ্পা লৈতনা ফোঙদোক্নরক্লি।

মিরাবাই চনু হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা অনীশুবা পোজিসন ফংখি। মদুদা খুমুকচম সঞ্জিতা চনুনা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা মিরাবাই চনুনা ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অনাহেম (য়ু এস এ) দা পাঙথোকখিবদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখি অমদি ওল্লকপা চহী কুমজা ২০১৮দা 'পদ্মশ্রী এৱার্দ' পীখি। খুঙ্গংদা লৈবা লমদম অসিগী নুপীমচা অসিনা নুপামচাগুম্না অঙাং ওইরিঙৈদা শীং চনবা, ইমুং মনুংগী লৈত-লায়রদা মমা মপাগী মতেং পাংলকখিবী নুপীমচা অসিনা অয়ূক্তা খুমন লম্পাক তান্না লাক্তুনা ৱেটলিফটিং শান্নে। কুমজা ২০১৬কী রিও ওলেম্পিক্তা মহাক ক্লিন এন্দ জর্কতা অহুল্লক দিসক্কালিফাই ওইখি। ওলেম্পিক রেকোর্দ বুক্তা দিট নোট ফিনিস (দি এন এফ) হায়না ইদুনা থম্মী। অদুবু কুমজা ২০২০গী টোকিও ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগনি হায়না থাজবা ৱাফমশিং থল্লি।

মমিং লৈরবী কুঞ্জরানিনা তৌখিবগুম্না সঞ্জিতাসু খেন্ন-খেন্নবা ৱেট কেটাগোরিদা কম্মনৱেলথ গেমসকী কুমজা ২০১৪দা কেজি ৪৮ অমদি কুমজা ২০১৮দা কেজি ৫৩দা সনাগী মেদল ফংখি। কম্মনৱেলথ গেমস হায়রগা ঐখোয়না কম্মনৱেলথ ওফ নেসন্স হায়বা লূপ অদুগী মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা শান্নবগী থৌরম কয়া অমুক য়াওবা চহী মরি-মরি লৈরগা পাঙথোকপা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অসিবু খঙনৈ। লূপ অসিগী মেম্বর ওইবগী মরু ওইবা চৎনবীদি ইংলেন্দগী নিংথৌ নৎত্রগা নিংথৌগী মহুৎ মহারানিনা লৈবাক্কী মপূ ওইরবদি মহারানিনা কম্মনৱেলথকী মকোক ওইগদবনি হায়বা অসিনি। মসিদা মেম্বর ওইরিবা লৈবাক অদুনা য়াগদবনি। মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিং অসিগী মখাদা লৈরিবা দেপেন্দেনসিশিংসু কম্মনৱেলথ গেমসতা তোঙান্না শরুক য়াবা য়াই। মরম অদুনা কম্মনৱেলথকী মেম্বরশিং অসি লৈবাক অসিগী মখাদা লৈরম্বা, মসিগী কোলোনিশিং ওইরম্বখক্তনি। অফ্রিকাগী লৈবাক রাৱান্দা বৃটিশকী মখাদা লৈরমদ্রবসু কম্মনৱেলথকী লূপ অসিদা মেম্বর ওইহল্লি।






ওলেম্পিক গেমস অমসুং এসিয়ন গেমসতা তৌবা চৎনবীগুম্না কম্মনৱেলথ গেমসতা মৈরা পায়রগা চেন্দুনা গেমস হৌবা নুমিত্তা মৈরা চুখৎপগী মহুত্তা বেটন, অতেনবা চৈতুপ মানবা অমা পায়রগা পাউ পুবগুম্না চেলহল্লি। ওলেম্পিক্কী মৈরা গ্রীসকী ওলেম্পিয়াদগী লৌরগা মৈরা অদু খূৎশিন্নরগা লমজেল্লোয়শিংনা গেমস হৌবা নুমিৎতা ষ্টেদিয়মদা পুশিল্লকপা অমদি মৈ চুখৎপগী চৎনবী অদু কম্মনৱেলথ গেমসতা চৎনদে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রেদিফতা পাঙথোকখিবা ১৯৫৮গী কম্মনৱেলথ গেমসতা 'কুইন বেটন রেলে' অহানবা ওইনা হৌদোকখি। কম্মনৱেলথ গেমসকী মরু ওইবা থৌরম অসি চৎনবীগী মতুং ইন্না লন্দনগী বকিংঘাম পেলেসতগী চেনবা হৌখি। মহারানি ইলিজাবেথনা মহাক্কী অইবা পাউজেল য়াওবা 'বেটন' অদু রেলেগী অহানবা লমজেল্লোয় অদুদা শিন্নদুনা লমজেল্লোয় ৩৮০০না শিন্ন-শিন্ননা কম্মনৱেলথ লৈবাকশিংদা পাউজেল পুদুনা চেল্লবা মতুংদা গোল্ড কোষ্টতা থুংলদুনা গেমস অসি হৌদোকপগী থৌরম ঙাইদুনা লৈ। ক্রিকেট শান্নবা পামজবা লৈবাক অসিনা হন্দক্তা লৈবাক অসিগা খা অফ্রিকাগা টেষ্ট মেচ শান্নবদা লৈবাক অসিগী কেপ্তেন ষ্টেভ স্মিথ, ভাইস কেপ্তেন দেভিদ ৱানর অমসুং বেনক্রোফটনা 'বোল টেম্পরিং' তৌবগী ৱাথোক অদু লৈবাক অসিগী মীংচৎ থিবনি, গোল্ড কোষ্টতা কম্মনৱেলথ গেমসকী অশিল অরাংশিং অসিনা মাঙখিবা ঈজৎ অদু অমুক হঞ্জিনহনবা পাম্মী। পিটর বিত্তি কৌবা গেমস অসিগী মচিন চৎপা অমনা হায়রি মদুদি "ক্রিকেটনা ঐখোয়গী ফুরুপ অসিগী ঈজৎ মাঙহল্লে। তৌইগুম্বসুং কম্মনৱেলথ গেমসনা ইচম চম্না মসিগী মগুণ অমদি ঈজৎ হঞ্জিলহনগনি।" কম্মিটি অমগী মচিন চৎপা অমনা হায় মদুদি ক্রিকেটকী মীংচৎ থিখিবা অদুনা ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইতে। হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়াগী মীপূম খুদিংমক্তা 'ফ্যর প্লে' গী মাঙখিবা ঈজৎ অদু হঞ্জিন্নবা তৌগনি।

টিম ৭১না শরুক য়ারিবা গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদু ওষ্ট্রেলিয়াদা মৈহৌরোলদগী খুন্দারকপা কাঙলূপশিংনা শুমহৎনীংঙাই ওইবা ঈশৈ শক্তুনা 'কন্টিনেন্টেল দ্রিফট' হায়বদি মালেমদা তোখায় তোখায়না লৈরিবা মহাদেশ তরেৎ অসি পুল্লপ পুনশিন্না 'পেনজি' (PANGEAE) হায়না খঙনদুনা লৈরম্বদগী তপ্না তপ্না লাপথোক্নরক্তুনা হৌজিক লৈনরিবা ফীভম অসিদা লৈরিবা অসিগী নুংগী ওইবা ইচেল অদু উৎখি। নুংথিল পুং ৫.৫৫ তাবা মতমদা ইংলেন্দগী প্রিন্স চার্লেসনা মমাগী মহুৎ শিন্দুনা মরু ওইবা মীথুংলেন ওইনা মহাক্কী নুপী কোর্নৱালগা লোয়ননা থুংলবগা লোয়ননা কম্মনৱেলথ গেমস ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী চেরমেন মালকোল টর্নবুলগা ফমিন্নদুনা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। চৎনবী কায়দনা মার্চ পাষ্ট পাঙথোকখি। হৌনবী মতুং ইন্না এথলেট তরুক্না কম্মনৱেলথ গেমসকী ফিৱাল অদু পুদুনা চঙলক্নগা ফিৱাল অদু চিংখৎখি। মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগী ৱাহৈ খরা হায়রগা কম্মনৱেলথ গেমস ফেন্দরেসনগী প্রসিদেন্ট লুই মার্টিনা তিল্লিবা মীয়াম অদুদা কম্মনৱেলথ গেমস পাঙথোকপগী অফবা মগুণশিং ঙাঙখি। কম্মনৱেলথ গেমসতা শিলভর মেদল তরুক ফংখিবা সুই ও'নেয়লনা বেটন অদু পুদুনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চেনশিল্লক্তুনা বেটন অদু সাইকল লমজেলগী অফাওবা মেকনী ব্রাদতা শিন্নখি। মহাক্না অমুক দিসএবলশিংগী ওলেম্পিক, পেরালিম্পিয়ান কর্ট ফিয়ারনলিদা শিন্নরবা মতুংদা ফিয়ারলিনা অমুক সেল্লে পিয়ারসন্দা পীদুনা মহাক্না বেটন মনুংদা য়াওরিবা মহারানি ইলিজাবেথ অনীশুবগী পাউজেল অদু লৌথোক্লগা প্রিন্স চার্লেসতা শিন্নদুনা মহাক্না পাউজেল অদু পাথোক্লগা গেমস অদু হৌদোক্লে হায়না হেক লাউথোকপগা মৈকাপ্পী থাবা অমদি হরাউ কুম্মৈগী মথেল কয়া চৎথখি। গেমস অসি নুমিৎ মঙানি হৌজিনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন বেদমিন্টন্দা, নোংমৈ কাপ্পনচিংবদা সনাগী মেদল লৌখিবশিং মথংগী ৱারেংদা থমজরক্কে।

# লৌথোকপা লৌশিনবনা লাইনীং ওইরবা ইরমদম

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**"লৌশিনবদি লাই পীথোকপদি লুই"** হায়বদুনি পুন্সিসে। অদুবু খ্বাইদগী পূক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওবা অমদি পূম্নমক্তা কান্নবা পুরকপদি পীথোকপদনি। মরম অদুননি পীথোকপা, কথোকপা, মতেং পাংবা ঙম্বা মীওইশিংদা ইকায়খুম্নবা অমদি অচৌবা মীংচৎ অমদি মীংথোল কয়া পীরিবা। লৌথোকপা অমদি লৌশিনবা কনবা কনাবু কনানা ইকায়খুম্নবীবগে, নুংশিবীবগে? লৌশিনবদি পূম্নমক্না ঙম্মী অদুগা পীথোকপদি মীওই খরা খক্তনা ঙম্মী। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় পীথোকপগী, কথোকপগী হৈনবী চেনবা, লৈবা ঙম্লরোই হায়বদি নত্তে। পীথোকপা, কথোকপা হায়বসি তম্বা য়াবা হৈনবী মখল অমনি।

খুন্নাই অমা চাওখৎহনগে হায়রবদি পীথোকপা, কথোকপা, অতোপ্পগী খনবা অমদি মতেং পাঙবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ইরমদম কংলৈপাক্না অসুক কুইনা চাওখৎপা ঙমদনা লাক্লিবসি করিগীনো হায়রবদি লৌথোকপা অমদি লৌশিনবতা খঙবা অদুগা পীথোকপগী হৈনবীদি মচেৎ অমা পক্তবা মীওই ময়াম অমা লৈবদগীনি। অদুগা লৌথোক-লৌশিনগী খ্বাইদগী চাউবা ওজানা ঐখোয়গী লৈঙাক্কী চুপলি পায়বীরম্বা অমদি পায়বিরিবা লুচিংবশিং অসিনি। মদুগী ময়েক লারবা খুদমদি থবক হাপ্পদা শেল চাউনা চাউনা লৌবসিনি। পুন্সিদা পূন্না হিংমিন্নগে, লৈমিন্নগে অমদি চাওখৎমিন্নগে হায়রবদি পীথোকপা, কথোকপা হায়বগী ৱাখল্লোনসি চেন্দবা শুকয়া য়াদে। ইমুং অমা, লৈকায় অমা, খুন্নাই অমা শেমগৎকে, চাওখৎহনগে হায়রবদি লমদমদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুদগী পীথোকপা, কথোকপা য়াওদনা ওইথোকপা য়ারোই। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় ঐখোয়গী লৈজবী লোইনা পীথোকসি হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। য়েংবিয়ু মালেমগী চাওখৎলবা লৈপাক কয়াদা। লমদমশিং অদুগী মীওইশিংগী ৱাখল্লোন অমদি চৎনবীদা। মখোয় অয়াম্বনা লমদম অদুগী, লৈপাক্তুগী নুংশিজবা, চাউথোকচবা অদুগুম্বা ৱাখল্লোন শোয়দনা উবা ফংবীগনি। অসিগুম্বা নুংশিজবা, চাউথোকচবা ৱাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না করিগুম্বা অমা তৌথোরকপদা লমদম অদুগী করিগুম্বা খরদি অদুম য়াওই।

পীথোকপা, কথোকপা হায় হায়দুনা য়াম্না পীথোকপগী ৱাফম লৈতে। ঐগী ঐগী অঙম্বা খরা থবক ওইনা পাঙথোকপা, শেলগী মতেং নৎত্রগা অঙম্বা থবক ওইনা পাংবা অসিসু পীথোকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, করিগুম্বা অমোৎ-অকায় খরা শেংদোকপসু পীথোকপা মখল অমনি। নৎত্রগা কনাগুম্বা অমনা কনা লৈজদবা মীওই অমদা মহাক্কী অঙম্বা চাক চরা অমা পীজবনি খঙদে, শেল খরা পীবিবনি খঙদে, ফুরিৎ অমা পীবিবনচিংবা তৌবসিসু পীথোকপনি। মতৌ অসুম্না ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈরিবা ঐখোয় মীওই লাক্ষ ২৩ হেনবা অসিনা অঙম অঙম্বা খজিক খজিক্তং পীথোক-পীশিন তৌনবদা মদুদগী থোরকপা থবক, লন নৎত্রগা মহয়দু অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হায়জনীংবদি ঐখোয় খুদিংমক ঐখোয় ঐখোয়গী ফীভম অমদি ঙম্বগী মতুং ইন্না পীথোক্লবদি, অতোপ্পগী মতেং পাঙলবদি ইরমদম কংলৈপাক্না চাওখৎপদা য়াম্না মতেং পাংগনি।

ইরমদম কংলৈপাক্কী মতেং পাঙবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা চঙদবা য়াদ্রবা ৱাখল্লোনদি ইরমদম কংলৈপাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অমদি চাওথোকপা ঙমজবা অদুনি। মসিগী ৱাখল্লোন অনী অসি য়াওদ্রবদি ঐখোয়না লমদমসিগী অফবা করিগুম্বা অমত্তা তৌনীংলোই, তৌরোই। ইরমদমগীদমক নুংশিজবা অমদি চাওথোকচবা য়াওদনা অতোপ্পা মফমগা চাংদম্নদুনা ঐখোয়গীদি হন্থে নৎত্রগা চাওখৎতে হায়না খল্লবদি করম্না নুংশিবা অমদি চাওথোকচবা ঙমগদৌরিবা।

ইরমদম্বু মতেং পাংবদা ঐখোয় মপান্দা লৈব্রা মনুংদা লৈব্রা হায়বগী থোইদোকপা খেন্নবা লৈতে। নুংবু নুংশিরবদি মপান্দা লাপ্না লৈখ্রবসু তৌবা য়াবা অদুক্কী মতিক লৈখ্রে। অদুগা নক্না নৎত্রগা ইরমদমদা লৈদুনসু করিসু তৌবিদ্রবদি করিবু মতেং পাংলিবগে ইরমদমগী চাওখৎ খোঙথাংদা। মপান্দা লৈজখ্রবসু ইরমদমগী নুংশিরবা ইরৈচা কয়া অমা লৈরি তত্তনা মতেং পাংলক্লি ইরমদমদা। মতম মতমগী ওইনা মহৌশাগী ওইবা থৌদোক কয়া থোকপদা, হায়বদি ঈশিং ঈচাউ লাকপদা, লৈকংথা লাকপদা, য়ুহার হাদুনা য়ূম কৈ, লন থুম অমদি অশোক অপন নংলবা মতমদা শেলগী মতেং পাঙলকপদা নত্তনা মপান্দা লৈখ্রবা, লৈরিবা ইরৈচাশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী 'অঙম্বা থাক্তা অতোপ্পা হীরম কয়াদসু মতেং পাংলি। খুদম অমখক পঞ্জরবদা, দাইনামিক মণিপুরগী থৌরম কয়াদা মখোয়না মপান্দা লৈবগী থেংনরকপা এক্সপরিএন্স কয়া ইরমদমদা কান্নগদবা হীরম কয়াগী মরমদা স্পিচ কয়া পীদুনা, ৱারী-ৱাতাই শান্নদুনা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরি। ঐহাক ইশামক দাইনামিক মণিপুরগী এদভাইজর মেম্বর অমা ওইনা লৈজদুনা ইরমদম কংলৈপাক্তা থোরকপা খুদিং ঐহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি এক্সপরিএন্স কয়া স্যের তৌজৈ, স্পিচ পীজৈ অমদি ৱারী ৱাতাই শান্নজদুনা অফ-ফত্ত তান্নজৈ।

-মথং-মথং

# লোর্দ কৃষ্ণগী মিং মণিপুরদা শোন্নরকখিবা

- ডা. নোইরাংথেম প্রমোদিনী -

**মশাগী** তোপ-তোপ্পা পুৱারী, নাট অমসুং লাইনীং-লীচৎ লৈজরম্বা মণিপুরনি। অদুবু অহোংবা মতমগী খোঙচত্তা মপান্দগী লাকখিবা শাফু কয়ানা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী নাট, লাইনীং-লীচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, লোন-লি, ৱাঙাঙ-শাঙাঙদা অহোংবা কয়া লাকখি। অহোংবা অমদি অওনবগী খোঙচৎ অসি ঙসি ফাওবা লেপ্পা নাইদনা চৎলি হায়বা য়াই। মতম অমদা চহীচা কয়াগী মমাঙদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা লোর্দ কৃষ্ণগী মমিং তারমদে, মহাক্কী তৌবা ঙম্বা মতিক মঙালসু খঙলমদে। ৱাফম অসি ৱাখলনা শাগৎলগা হেক্তা হায়জিনবা নত্তে। অখঙ অহৈ কয়ানা থন্বীরম্বা পুয়া অমদি মখল মথেলগী লাইরিকশিংদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরবা ৱাফমনি। হিন্দু লাইনীং অমদি মসিগা মরী লৈনবা লাইশিং হায়বদি শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীরাম, শিব মহাদেব, বিষ্ণুনচিংবা কয়াবু করম্বা মতমদগী লমদম অসিগী মীয়াম্না লাৎনবা হৌরকখিবগে হায়বসিগী পুৱারী চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা লাইরিক কয়ানা খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লি।

লমদম অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফম কয়াদগী মীওই কয়া চঙশিল্লকখিবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবা, বামোন খুন্থোক্নচিংবদা মচা খায়না পল্লি। খুদম খরদং পঞ্জরবদা খল্লাংবা খুনকুল্লোন্দা ইরম্বগী মতুং ইন্না মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদা লৈরম্বা খুনপাংথৌ খুল্লাংবনা য়োৎচাক থিবা চৎপদা তখেল (ত্রিপুরা) নিংঙোল শিজ কালিকা লুহোংদুনা মণিপুরদা থোকমিন্নরকপদা মীওই ৩০ রোম লোয়নরকখি। বামোন খুন্থোক্কী মতুং ইন্না মৈদিংঙু ক্যাম্বা (১৪৬৭-১৫০৮) গী মতমদগী হৌনা মথং মথং বামোনশিংনা লমদম অসিদা লাকখি। অদুবু নীংশিংজনীংবা ৱাফমদি হায়রিবা মীওইশিং অসি লমদম অসিগী লোন, চৎনবী, ফিজেৎ, চাকচাদা তিনখি হায়বগী ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্মী। হিন্দু লাইনীংনা মশা মরেং ফন্না শন্দোক্তুনা লমদমসিগী লৈহাওদা মরা তাশিনখিবদি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মতমদগীনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগী মমাঙদদি হান্নদগী লৈজরক্লবা ইপা ইপুগী লাইনীং লীচৎকা নৌনা পুশিল্লকখিবা হিন্দু লাইনীংগা অনীগী মরক্তা লাকখিবা অকনবা মুক্নগী পুৱারীগী তাঙ্ককশিং ওইখি। মুক্নবসিদা লৈঙাক মপূশিংনা অনৌবা লাইনীং লীচৎকী মীচংদা তোংশিনখিবা অমদি য়োকখৎনবগী পান্থৈ কয়া শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা ইপা-ইপুগী লাইনীং লীচৎ মরায় চাইথরক্নবগী অচৌবা মরম ওইখি।

বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা বিষ্ণুগী লাইশঙ অসি ক্যাম্বগী হাক্তক্তা শারম্বনি হায়বগী ৱাফম লৈরগসু হায়রিবা ১৫শুবা চহীচা অসিদা লমদমসিগী মীওইশিংনা হিন্দু লাইনীং চৎতুনা কৃষ্ণ নৎত্রগা বিষ্ণু লাৎপা হৌখি হায়বসিদি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি, "মোইরাং কোংয়াম্বগী কুম শক ১৬২৬ (খৃ ১৭০৪) শজিবু থাদি থাংজনা হনএ। ৫নি য়ূমশকৈশদা নিংথেম চরাইরোংবনচিংবনা লাইমিং লৌগদবা খিবিকপু চাকহেন নৈএ। নোংমদা লৌএ।" (চৈ: কু: ১৯৮৯, লা: ৬৮) "বামোন মণিগী কুম শক ১৮২৯ (খৃ: ১৭০৭) ১৯নি ইরাইদা কৃষ্ণগী কিয়োং লৌএ।" (লা: ৭০) অতৈ অতোপ্পা লাইরিকশিংগী ৱাফম নৈনরুদ্রগসু চৈথারোল কুম্বাবদা ইরল্লিবা অসিগী মতুং ইন্না মণিপুরদা শ্রীকৃষ্ণবু লাৎপা হৌরকপসি খৃষ্টগী চহীচা ১৮ হৌগৎলকপদগী ওইফম থোকই। হায়রিবা ৱাফম অসিগা মান্নবা মতাং অমসু আর কে ঝলজিৎনা "A short History of Manipur" দা অসুম্না ইরি, Pitambar Charairongba was the first Manipuri king to be formally initiated to Vaishnavism. In Mera (about Octorer) 1703, a Brahmin named Krishnacharya alias Rai Vanamali arrived in Manipur from Sweta Ganga (near Puri in Orissa). He was accompanied by his wife Krishnamayi, two Sudras and a Brahmin named Balabhadra Brahmachari. On Wednesday the 5th of Sajibu (April, roughly) 1704 Rai Vanamali formally initiated the king to Vaishnavism. Since Rai Vanamali was the guru (preceptor) of the king, his descendants came to be known as the Guru Aribams or the family of the old Guru. The epithet Aribam or old is there to distinguish them from the descendants of the guru of king Bhagya Chandra who are simply called the Gurumayum. The school of Vaishnavism to which Charairongba was initiated worshipped Shri Krishna as the Supreme Deity. This school of Vaishnavism worships Krishna with Radha. Pitambar Charairongba built a brick temple to Shri Krishna at Brahmapur Guru Aribam Leikai. The king gave to his guru a village, a hill and 100 acres of rice field as gurudakshina. He also built a nine roomed brick house for his guru (P. 133). সনামহি লাইক্ন অমদি সনামহি পুয়াদা থল্লম্বা ৱারোলগী মতুং ইন্না মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মজাইবুংঙো মৈদিংঙু পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) না পানবা মতমদা শ্রীগোপালদাস কৌবা গুরুদগী গৌরিয়া লাইনীংদা লাইনীং লৌখি হায়বগী খুদম ফংই। অদুবু মতম খরা লৈরগা শ্রীহটতগী লাকখিবা শান্তিদাসনা গুরু ওইদুনা রমান্দি লাইনীং লৌখি। মৈদিংঙু পামহৈবনা পানবা মতমদা গৌরিয়া লাইনীং চৎলম্মী হায়বগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবদসু থেংনৈ।

লাইরিক অসিদা ইরম্বগী মতুং ইন্না নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা কুমজা ১৭২২দগী কালেন থাদা শ্রীকৃষ্ণগী লাইশঙ শাবা হৌরগা থৱান থাদা শঙ্গাখি। মতুং তারকপদা রমান্দি লাইনীং লৌবগা লোয়ননা হান্নগী লৈজরম্বা ইপা ইপুগী লাইনীং লীচৎ মুথৎনবা হোৎনবগী মতাংদা অসুম্না ইরি, "১৬নি লংমাইচিংদা সনা কৈথেলদা য়ুংবা নূংবু হনুমানগী মীতম শানবা মোংবহনবা তান্না চিংশিনএ।" (চৈ: কু: লমায় ৮৯) অদুবু মৈদিংঙু চিৎশাইগী (১৭৪৮-১৭৫২) মতমদা গৌরিয়া লাইনীং চৎপা খুদিংমকপু ৱাকোংহনবগী ৱাফম ইরম্বসিনা উৎলিবদি হায়রিবা নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা লাইনীং অসিগী মরায় চাইথখি হায়বসিনি। অদুবু মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী (১৭৫১-১৭৬১, ১৭৬৩-১৭৯৮) মতমদগী গৌরিয়া লাইনীংনা মণিপুর তম্পাকপু খুদুম চনশিনখি। তশেংনমক হায়রবদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীরাম, হনুমান্নচিংবা লাইশিংবু য়াম্না কিনা লুনা নীংনরকখি। অদুবু কুমজা ১৯৩০দা নাওরেম ফুন্দ্রে, মীয়াম্না নাওরিয়া ফুলো হায়না খঙনবা লুচিংবা অসিগী মখাদা 'অপোকপা মরূপ' কৌবা লূপ অসিগী কছার জারিবোন্দগী লাইশ্রম খুন্দা লিংখৎখিবগা লোয়ননা ইপা ইপুগী হান্না লৈরম্বা ময়েক, লাইনীং-লীচৎ হিংগৎনবগী ঈহৌ অদু মণিপুরদসু য়ৌরকখি। মদুগা লোয়ননা মীতৈ মরূপ কৌবা লূপ অমা কুমজা ১৯৪৭তা লিংখৎখি। লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকপদগী ১৯৭০গী মতমদগী হৌনা সনামহী লাইনীং হিংগৎপা হৌরকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা শ্রীকৃষ্ণবু অথোইবা লাই অমা ওইনা লমদমসিদা লাৎনরি।

মহাকপু অথোইবা লাই অমা ওইনা মীয়ামগী পূক্নিংদা থাজহন্নবা হোৎনবদা মতম মতমগী পাল্লম্বা লৈঙাক মপূশিংনা মানা মানা পামজবা মওংদা থৌওং থৌশিল কয়া শেমখি। খুদম ওইনা হায়রবদা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মতমদা কলচরেল অমদি ইন্টলেকচুয়েল মুভমেন্ট অমা শাগৎখি। গৌরিয়া লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়া পুথোকপগা লোয়ননা রাস লীলা কয়া শান্নদুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি। "শ্রীগোবিন্দ নির্পন" কৌবা লাইরিক্তা ইরম্বগী মতুং ইন্না মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী সনা য়াথং মতুং ইন্না- ৱাংখৈ পণ্ডিট গোপিরাম সিংহ পাৎচহনবনা শ্রী গোবিন্দগী মীতম শাখি অমদি শ্রী গোবিন্দগী জিবন্যাস লোইরবা মতুংদা গোপিরাম সিংহদা সনা খুজি, ইরিন ৱাংমা শামাং লাইরৌদা লৌ পরি তরেৎ, নাই ফুঙ্গা অমা, ইরোই অমা, শগোল অমা পীখি। মতৌ অসুম্না শ্রীকৃষ্ণবু অথোইবা লাই ওইনা লাৎনরিবা গৌরিয়া লাইনীং চাওখৎহনবা নৎত্রগা শিথহনবা হায়বসি লৈঙাক মপূশিংগী অনীংবা অপাম্বগী মতুং ইল্লম্মী। মরমদি মতমদুদা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক লৈরমদে। নিংথৌবু লাইনি থাজনবা, সনা য়াথং হিক্তোকপা য়াদবা, নিংথৌগী মনা ফক্লাংদা থেৎপা লৈঙাক্লি। অদুবু মতম মতমদুগী লৈরিবা মীয়ামগী পূক্নিং ইহুল খঙনা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা ইপা ইপুগী লইনীং লীচৎসু মাঙখিদনবা হোৎনরম্মী। হিন্দু লাইনীংগী লাইশোন তীনশোন, লাইথৌ তিনথৌগা ইয়েৎ য়েৎশিন্নবা মওংদা লাকহনখি। য়েলহৌঙৈদগী লৈজরম্বা কোংবা লৈথোং ফাৎপবু বিষ্ণব সংক্রান্তি, হিন্দুগী চরক পুজাদা চৈরাউবা পাঙথোকপা, ইঙেন থাগী অহোং-খোংচিংবু কাং চিংবনচিংবা ওন্থোকখি। অদুবু ঙসিদি অওনবা অহোংবা কয়া লাক্লে। মীয়ামগী মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক লৈরে। ইশাগী অশেংবা মশক, নাট, লাইনীং-লীচৎ, ইরোল-ইয়েক নুংশিবা মীওই নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লমদমসিগী অশেংবা অচুম্বা পুৱারী থিনরক্লি। অখঙ অহৈসু ৱাক্তনা লৈরে। কনাগুম্বা অমনা হেক্তা হায়জিনবা য়ানরক্ত্রে। মসিনা মণিপুরগী মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা শক্তম, পুৱারী অমদি নাট অমা লৈজরি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপা ঙমগদৌরিবনি। অদুবু চেকশিনহৌদ্রবদি পূম্নমক অসি নাথৈদুনা চৎখিবা য়াই। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবা মথৌ তারি।